

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, THURSDAY, APRIL 12, 2018 **PAGE 7**



*য়ুরোপিয়ন কপ অমদি চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী সিজন অমদা পাঞ্জল ৮ চন্দুনা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না পাঞ্জল চনখিবা লিভরপুলগী ষ্ট্রাইকর ইজিপ্ত মচা মোহমদ সালা*

*হিরো ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী সিজন ২০১৭–১৮ দা চেম্পিয়ন টিম ওইখিবা চেন্নাইন এফসিদা শান্নরিবা অদুগা মথং চহীগীসু মখা তানা কন্ট্রেক্ত য়ান্নরবা মোহমদ রাফি*

# নুপীগী দবল ত্রেপ ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী সুট্টর স্রিয়াসি সিংহনা গোল্ড মেডল ফংখ্রে, মিটর ৫০ গী পিষ্টোলদা ইন্দিয়াগী ওম মিথরভালনা ব্রোঞ্জ লৌখ্রে, বোক্সিংদা মণিপুরদগী হৌখিবী এমসি মেরি কোম কেজি ৪৮গী ফাইনেল য়ৌখ্রে

*গোল্ড কোষ্ট, এপ্রিল ১১ঃ*

ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অসিগী সিটি গোল্ড কোষ্টতা চথরিবা কম্মনৱেল্‌থ গেমসকী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী দবল ত্রেপ ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী স্রিয়াসি সিংহনা গোল্ড মেডল ফংখ্রে, নুপাগী মিটর ৫০গী পিষ্টোল ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা সুট্টর ওম মিথরভালনা ব্রোঞ্জ ফংখ্রে অদুগা বোক্সিং ইভেন্টতা মণিপুরদগী হৌখিবী এমসি মেরি কোম কেজি ৪৮গী কেটেগোরিদা ফাইনেল য়ৌখ্রে।

২১শুবা কম্মনৱেল্‌থ গেমস অসিগী ঙসি বেলমোন্ট সুট্টিং রেঞ্জদা পাঙথোকখিবা নুপীগী দবল ত্রেপ ইভেন্টকী ফাইনেল রাউন্দদা ইন্দিয়াগী সুট্টর স্রিয়াসি সিংহ অমসুং গেমস অসিগী য়ুম্বু লৈবাক ওষ্ট্রেলিয়াগী সুট্টর ইম্মা কোক্সনা চপ মান্নবা পোইন্ট ৯৬ /৯৬ দা মান্নদুনা লৈখিবদগী সুট ওফ তৌনবা তাখি।

গোল্ড মেডল ফংগদবা সুট্টর অদু মশক খঙদোক্নবগীদমক সুট ওফ তৌনবদা ইন্দিয়াগী সুট্টর স্রিয়াসিনা হেন্দুনা ইভেন্ট অদুগী গোল্ড মেডল অদু লৌরগা ওষ্ট্রেলিয়াগী সুট্টর ইম্মা কোক্সনা সিলভর মেডল ফংহৌখি। ইভেন্ট অদুগী ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা পোইন্ট ৮৭ ফংবা ঙমখিবী স্কোটলেন্দগী সুট্টর লিন্দা পিয়রসননা ফংখি। ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবী ইন্দিয়াগী নুপী সুট্টর ভর্সা ভরমন পোইন্ট ৮৬ ফংদুনা মরিশুবা তাহৌখি।

নীংশিংবা য়াই ঙসি নুপীগী দবলস ত্রেপ্তা গোল্ড ফংখিবী স্রিয়াসি সিংহ ২০১৪ গ্লাসগো কম্মনৱেল্‌থ গেমসতা সিলভর ফংখিবনি।

নুপাগী মিটর ৫০ গী পিষ্টোল ইভেন্টতা শরুক য়াখিবা ওম মিথরভাল ব্রোঞ্জ মেডল লৌবা ঙমখি। মহাক্না ফাইনেলদা পোইন্ট ২০১.১ ফংখি। ইভেন্ট অদুগী গোল্ড মেডল অদুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী দেনিয়েল রেপাচোলিনা পোইন্ট ২২৭.২ ফংলগা লৌখি। অদুগা সিলভর অদুনা বাংলাদেশকী সাকিল অহমদনা পোইন্ট ২২০.৫ ফংলগা লৌখি।

পনবা য়াবদি অতোপ্পা ইন্দিয়াগী সুট্টর ঙরাং মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা গোল্ড ফংখিবা ঙসি মিটর ৫০ গী পিষ্টোল ইভেন্ট অদুদা ৮শুবা পোজিসন তাখি।

নুপাগী দবল ত্রেপ ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী অকুর মিটল পোইন্ট ৫৩ ফংলগা ব্রোঞ্জ ফংখি। ইভেন্ট অদুগী গোল্ড অদু স্কোটলেন্দগী মেকমেথনা পোইন্ট ৭৪ ফংলগা অনৌবা কম্মনৱেল্‌থ গেমস রেকোর্দ থম্বগা লোয়ননা ফংখি। সিলভর অদুনা আইজল ওফ মান লৈবাক্কী টিমনিলনা পোইন্ট ৭০ ফংলগা লৌখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা বোক্সিং দিসিপ্লিনদা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন অমসুং ওলিম্পিক মেডালিষ্ট ইন্দিয়াগী এমসি মেরি কোমনা কেজি ৪৮ গী কোটগোরিদা মহাক্কী লম্বা শ্রী লঙ্কাগী অনুসা দিলরুকসিবু পোইন্ট ৫–০ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌবদগী গোল্ড মেডলগীদমক্তা নোর্দন আয়রলেন্দগী বোক্সর কৃষ্টিনা ও হারাগা লম্বা তৌনরগনি।

অতোপ্পা নুপীগী বোক্সর কেজি ৬০গী কেটেগোরিদা শরুক য়ারিবী লাইশ্রম সরিতা দেবী ওষ্ট্রেলিয়াগী বোক্সর অঞ্জা ষ্ট্রিদসমেনগী মখূত্তা মায়থিদুনা মেডল ফংবগী আশা লোইশিনখি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপীগী বোক্সর পিঙ্কি জাঙ্গ্রা কেজি ৫১ গী কাঙলুপ্তা ইংলেন্দগী বোক্সর লিজা হ্বাইটসাইদকী মখূত্তা ক্বার্টর ফাইনেল বাওট মায়থিহৌদুনা মহাকসু মেডলগী আশা লোইশিনখি।

ঙসি নুপাগী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী বোক্সর ৩ সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। অহানবা কম্মনৱেল্‌থ গেমস অসিদা শরুক য়ারকপা কেজি ৫২ গী বোক্সর গৌরভ সোলাঙ্কিনা পাপুৱা ন্যু জিনিগী চার্লস কিমাবু পোইন্ট ৫–০ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

কেজি ৬০ গী কাঙলুপ্তা সোলাঙ্কিগা মান্ননা অহানবা কম্মনৱেল্‌ঠ গেমস শরুক য়ারকপা মনিস কোসিকনা মহাক্কী লম্বা য়ুরোপিয়ান বোক্সিংগী ব্রোঞ্জ মেডালিষ্ট ইংলেন্দগী কালম ফ্রেন্সপু পোইন্ট ৫–০ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

নুপাগী কেজি ৭৫ গী কাঙলুপ্তা ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী ব্রোঞ্জ মেডালিষ্ট বিকাস কৃষ্ণননা জম্বিয়াগী বোক্সর বেনি মুজিয়োবু পোইন্ট ৫–০ দা মায়থিবা পীদুনা মহাকসু য়ামদ্রবদা ব্রোঞ্জ মেডল অমদি শোয়দনা ফংলগনি।

*হোক্কিঃ–*

ঙসি নুপাগী হোক্কিগী পুল 'বি' দা শান্নখিবা অরোইবা লীগ মেটচতা ইন্দিয়াগা ইংলেন্দগা অকনবা লম্বা থেংনরবা মতুং অরোইবা মীৎকুপ্তা ইন্দিয়ানা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ৪–৩ দা মায় পাক্তুনা গ্রুপকী মকোক ওইবদগী সেমি ফাইনেলদা পুল 'এ'গী অনীশুবা টিম ওইখিবা ন্যু জিলেন্দগা সেমি ফাইনেল শান্নরগনি। অদুগা ঙসি মায়থিখিবা ইংলেন্দগী টিম পুল 'এ' গী মকোক ওষ্ট্রেলিয়াগা থেংনগদৌরিবনি।

ইন্দিয়া অমসুং ইংলেন্দ মাঙজৌননা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙম্লবনি। অদুবু পুল অদুগী মকোক ওইবা টিম অদু মশক খঙদোক্লবগীদমক লম্বা তৌনরকপদা শান্নবগী ১৭শুবা মিনটতা ইংলেন্দগী দেবিদ কোন্দানা একাউন্ট হাংদোকখি।

ক্বার্টর অদু লোইশিল্লবা ফাওবদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ইক্কেলাইজর অদু চনবা ঙমদনা লৈখিবনি। হাল্ফ মতুং ইন্দিয়াগী কেপ্টেন মনপ্রিত সিংহনা ফিল্ড গোল অমা চন্দুনা ইক্কেলাইজর ওইহনখি।

অরোইবা ক্বার্টরগী শান্নবা হৌরকপা মিনট ৩ চঙশিল্লকপদা ইন্দিয়ানা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমদা রুপিন্দর পাল সিংহনা পাঞ্জল চন্দুনা ২–১ দা ইংলেন্দবু হেন্দুনা চৎখি।

ইকান কান্নদনা মিনট অমা লৈরগা ইংলেন্দগী পেনাল্টি কোর্নর অমা ফংবদগী লিয়াম এনসেলনা ইক্কেলাইজর অদু চল্লগা লৈবাক অনীমক ২–২ দা লৈখি। ইংলেন্দনা মখা তানা চথরকপা এটেক অমদা পেনাল্টি কোর্নর অমা ফংখিবা অদু সেন ৱার্দনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ইন্দিয়াবু মখোয়না ৩–২ দা হেন্দুনা চৎখি।

অদুবু শান্নবা লোইগদবা মিনট ২ দা ঙাইরবা মতমদা বরুন কুমারনা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংনা ইক্কেলাইজর অদু চনখি। মতম য়ামশিল্লক্ত্রবদা ইন্দিয়াগী গোলকিপর ফিল্ডদগী থোরক্লগা মহাক্কী মহুৎ ফোরৱার্দ অমা শান্নহনখি। মদুগী কান্নবা ফংখি। কেপ্টেন মনপ্রিতনা দি বোক্স ৱাংমদগী য়েশিল্লকখিবা সোট অমা ইংলেন্দগী দিফেন্দর অমগী ষ্টিক্তগী খেৎলগা গোল ওইদুনা ইন্দিয়ানা মেটচ অদু ৪–৩ দা থোইখিবনি।

*বেদমিন্টনঃ–*

ইন্দিয়াগী বেদমিন্টন শান্নরোইশিং ঙসি ইন্দিভিজুয়েলগী শান্নখিবা মেটচশিং মায় পাকপদা নুপাগী মায়কৈদগী ২ অদুগা নুপীগী মায়কৈদগী ৩ য়াওখি। টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা কিদম্বি স্রিকান্থনা মোরিসিয়সকী শান্নরোই আটিস লুবাবু ২১–১৩, ২১–১০ দা থোইদুনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা সিদেদ ওইরিবা ঐচ এস প্রনোইনা ঙসি অহানবা রাউন্দদা মোরিসিয়সকী খৃষ্টোফর জিন পোলবু ২১–১৪, ২১–৬ তা থোইদুনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

দিসিপ্লিন অসিগী নুপীগী কাঙলুপ্তা নম্বর ৱান সিদেদ পি ভি সিন্ধুনা ফিজিগী শান্নরোই এন্দ্রা হ্বাইটসাইদপু য়াম্না লায়না ২১–৬, ২১–৩ দা থোইদুনা মহাকসু প্রি–ক্বার্টর য়ৌখি।

অনীশুবা সিদেদ ওইরিবী সাইনা নেহৱালনা সাউথ অফ্রিকাগী শান্নরোই এল সি দি ভিলিয়র্সপু ইৱা ৱাদনা ২১–৩, ২১–১ দা থোইদুনা মহাকসু প্রি–ক্বার্টর য়ৌবা ঙমখি। নুপীগী সিঙ্গলস অদুদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই রুথভিকা গাদেনা ঘানাগী আটিপকাবু ২১–৫, ২১–৭ দা থোইদুনা মহাকসু প্রি–ক্বার্টর য়ৌবা ঙমখি।

*স্কৱাসঃ–*

স্কৱাস দিসিপ্লিনগী ওইনা ইন্দিয়াগী দিপিকা পালিকল অমসুং জোস্না চিনাপ্পানা নুপীগী দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মখোয়না ঙসি শান্নখিবা প্রি–ক্বার্টরগী মেটচ অমদা মালটাগী দাইনে কেলাজ অমসুং কোলিটে সুল্টানাবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ১১–৫, ১১–৬ তা মায়থিবা পীখি।

মিক্স দবলসতা চিনাপ্পা অমসুং হরিন্দর পাল সান্ধুনা স্কোটলেন্দগী লিজা এটকেন অমসুং কেবিন মোরানবু ১১–১০, ১১–৮ দা থোইখি। নুপাগী দবলসতা ইন্দিয়াগী বিক্রম মলহোত্রা অমসুং রমিত তন্দননা ৱেল্‌সকী পিটর ক্রিট অমদি জ্বোইল মাকিনবু ১১–৭, ৮–১১, ১১–১০ দা গ্রুপ ষ্টেজগী অহানবা রাউন্দ অদু মায় পাকখি।



নুপীগী দবল ত্রেপ ইভেন্টকী গোল্ড ফংখ্রবী ইন্দিয়াগী স্রিয়াসি সিংহ



নুপাগী মিটর ৫০ গী পিষ্টোল ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী ওম মিথরভাল



**Commonwealth Games 2018 Medal Tally**

| Rank | Country | G | S | B | T |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Australia | 53 | 41 | 43 | 137 |
| 2 | England | 25 | 30 | 21 | 76 |
| 3 | India | 12 | 4 | 8 | 24 |
| 4 | New Zealand | 9 | 10 | 8 | 27 |
| 5 | South Africa | 9 | 6 | 7 | 22 |
| 6 | Canada | 8 | 21 | 16 | 45 |
| 7 | Scotland | 7 | 10 | 14 | 31 |
| 8 | Wales | 7 | 8 | 7 | 22 |
| 9 | Nigeria | 4 | 4 | 0 | 8 |
| 10 | Cyprus | 4 | 0 | 2 | 6 |
| 11 | Jamaica | 3 | 4 | 3 | 10 |
| 12 | Malaysia | 2 | 2 | 4 | 8 |
| 13 | Samoa | 2 | 2 | 0 | 4 |
| 14 | Uganda | 2 | 0 | 1 | 3 |
| 15 | Papua New Guinea | 1 | 2 | 0 | 3 |
| 16 | Singapore | 1 | 1 | 1 | 3 |
| 17 | Botswana | 1 | 1 | 0 | 2 |
| 17 | Trinidad and Tobago | 1 | 1 | 0 | 2 |
| 19 | Fiji | 1 | 0 | 1 | 2 |
| 19 | Northern Ireland | 1 | 0 | 1 | 2 |
| 21 | Bermuda | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 21 | Grenada | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 23 | Kenya | 0 | 3 | 3 | 6 |
| 24 | Bangladesh | 0 | 2 | 0 | 2 |
| 25 | Sri Lanka | 0 | 1 | 3 | 4 |
| 26 | Isle of Man | 0 | 1 | 0 | 1 |
| 26 | Mauritius | 0 | 1 | 0 | 1 |
| 26 | Nauru | 0 | 1 | 0 | 1 |
| 29 | Pakistan | 0 | 0 | 2 | 2 |
| 30 | Cameroon | 0 | 0 | 1 | 1 |
| 30 | Cook Islands | 0 | 0 | 1 | 1 |
| 30 | Dominica | 0 | 0 | 1 | 1 |
| 30 | Malta | 0 | 0 | 1 | 1 |
| 30 | Norfolk Island | 0 | 0 | 1 | 1 |
| 30 | Solomon Islands | 0 | 0 | 1 | 1 |
| 30 | Vanuatu | 0 | 0 | 1 | 1 |

# নিশু কুমারনা এক্সত্রা টাইমদা চনখিবা পাঞ্জলনা ইন্দিয়াগী বেঙ্গালুরু এফসিনা মালদিপ্সকী ক্লব ন্যু রেদিয়েন্টপু পাঞ্জল ১–০ দা থোইখ্রে

*বেঙ্গালুরু, এপ্রিল ১১ঃ*

নিশু কুমারনা এক্সত্রা টাইমদা চনখিবা অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জলনা ইন্দিয়াগী ক্লব বেঙ্গালুরু এফসিনা এএফসি কপ গ্রুপ ষ্টেজগী গ্রুপ 'ই' গী অহুমশুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা মালদিপ্সকী ক্লব ন্যু রেদিয়েন্টপু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

গ্রুপ অসিগী পোইন্ট টেবলদা বেঙ্গালুরু এফসিনা মেটচ অসি শান্নদ্রিঙৈ মাঙওইননা মেটচ ২ শান্নবা লোইশিনখিবদা অনীমক মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৬ ফংদুনা মালদিপ্সকী ক্লব ন্যু রেদিয়েন্টকা পোইন্ট মান্নরবসু গোল দিফরেন্সতা হেন্দুনা টেবলগী মকোক থোংদুনা লাকখিবনি।

ঙরাং অথেংবদা বেঙ্গালুরুদা লৈবা শ্রী কান্টিরাভা ষ্টেদিয়মদা মফম অদুগী ক্লব বেঙ্গালুরুনা মালদিপ্সকী ক্লব ন্যু রেদিয়েন্টকা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা টিম অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না লম্বা মান্নরকখি।

শান্নবগী অহানবা হাল্ফকী অয়াম্বা মতম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনদুনা শান্নরকখিবা অদু অরেম্বদা তাদুনা লাকখি। বেঙ্গালুরু এফসিগী শান্নরোইশিংনা শান্নবগী ৩২শুবা মিনটতা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই হরমাঞ্জোট খাব্রানা পীরকপা য়াম্না শাংবা পাস অমা টিমমেট রাল্টেনা ফারগা পেনাল্টি বোক্স মনুংদা লৈরিবা শেমবোইদা পাস তৌরবা মতুং শেমবোইনা কাউশিনবদা পাঞ্জল ওইহৌদবদগী খুদোংচাবা অমা বেঙ্গালুরু এফসিনা পাঞ্জল মাঙজিল থারম্বা য়াবগী তাঞ্জা মাঙজখি।

টিম অনীনা য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্লদুনা শান্নরকখিবা অদু অহানবা হাল্ফকী অপীবা মতম মিনট ৪৫ অদু লোইশিনখিবা ফাওবদা মায়কৈ অনীদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদে।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা ইন্দিয়াগী ক্লব বেঙ্গালুরু এফসিগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌবগী চাং কনশিল্লকখি। শান্নবগী ৬৫শুবা মিনটতা বেঙ্গালুরু এফসিগী শান্নরোই সেগোভিয়ানা কাউশিনখিবা সোট অমা মায়কৈ ওন্ননা চৎখিবদগী পাঞ্জল ওইরম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমসু মাঙজখি।

শান্নবগী ৭৭শুবা মিনটতা নিশু কুমারনা পীরকপা ক্রোস অমা বেঙ্গালুরু এফসিগী কেপ্টেন সুনিল ছেত্রিনা নীংথিনা কন্ট্রোল তৌবা ঙমহৌদবদগী পাঞ্জল ওইরম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমসু মাঙজখি।

এটেক হেন্না চথবা ঙমখিবা বেঙ্গালুরু এফসিগী শান্নরোইনা মেটচ অদু মায় পাক্লম্বা য়াবগী খুদোংচাবা কয়া নাম্থোক্তুনা লাকখ্রবা মতুং মেটচকী অপীবা মতম লোইখ্রবা মতুং এক্সত্রা টাইমগী অহানবা মিনটতা বেঙ্গালুরু এফসিগী শান্নরোই নিশু কুমারনা মেটচকী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা মালদিপ্সকী ক্লব ন্যু রেদিয়েন্টপু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখি।



# ইন্দিয়াগী ভিরাট অমসুং মিথালি ৱিজদেন এৱার্দ ফংখ্রে

*লন্দন, এপ্রিল ১১ঃ*

ইংলেন্দদা ফোঙবা শান্নবগী চেফোঙ অমা ওইরিবা মীয়াম্না স্পোর্টসকী বাইবলনি হায়না খঙনরিবা ৱিজদেননা চহী খুদিংগী ক্রিকেট শান্নরোইশিংদা পীবা মনা অদুদা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোলি অমসুং নুপীগী কেপ্টেন মিথালি রাজ য়াওখ্রে।

অতোপ্পা ৱিজদেন এৱার্দকীদমক খনখিবা শান্নরোইশিং অদুদি ইংলেন্দগী হেদর নাইথ, নটালি স্কিবর অমসুং অনিয়া স্রুবসোলনি।

পনবা য়াই ভিরাট কোলি মমাঙগী চহীদসু হায়রিবা এৱার্দ অসি ফংখ্রবনি। ৱিজদেননা ফোঙবা ১৫৫ রক ফোঙবা ইদিসনদা হন্দক্তা লন্দনদা শান্নখিবা ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপ ক্রিকেটতা ইন্দিয়াবু মায়থিবা পীবদা য়াম্না মরুওইবা বোলর অমা ওইখিবী অন্যা স্রুবসোলনা অহানবা নুপী ক্রিকেট শান্নরোই অমা ওইনা ফ্রন্ট কোবরদা ফোটো য়াওখিবনি।

মিথালি রাজনা নুপীগী ৱান দে ইন্টরনেসনেলদা খ্বাইদগী রন য়াম্না লৌবা ঙম্বী শান্নরোই ওইরি। হায়রিবা তাঞ্জা অদু মহাক্না ইংলেন্দদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড কপ অদুগী ফাইনেল য়ৌরকপদা লৌবা ঙমখিবনি। ভিরাট কোলিনা ফোরমেট অহুমক্তা (ৱান দে, টেষ্ট অমসুং টি–২০) ফজবা ঙমখিবদগী মনা অদু ফংখিবনি।

# ইটালিগী রোমানা বার্সেলোনাগা পাঞ্জল ৪–৪ দা মান্নখ্রবসু অৱে গোলদা ফজখিবদগী রোমা চেম্পিয়ন্স লীগকী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে, ইংলেন্দগী লিভরপুলসু সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে



*রোম। লন্দন, এপ্রিল ১১ঃ*

য়ুরোপকী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী ক্লবকী ওইনা খ্বাইদগী চাওবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা চেম্পিয়ন্স লীগকী ক্বার্টর ফাইনেলগী অনীশুবা লেগতা ইটালিগী ক্লব রোমানা স্পেনগী ক্লব বার্সেলোনাবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা এগ্রিগেটতা ৪–৪ দা লৈনখ্রবসু রোমানা অৱে গোলদা ফজবা হেনখিবদগী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে, ইংলেন্দগী ক্লব লিভরপুলনা মেঞ্চেষ্টর সিটিবু এগ্রিগেটতা ৫–১ দা থোইদুনা মখোয়সু সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে।

পনবা য়াবদি বার্সেলোনানা য়ুম্বু ওইদুনা রোমাগা শান্নখিবা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচতা বার্সেলোনানা রোমাবু পাঞ্জল ৪–১ দা মায়থিবা পীদুনা য়াম্না ফজনা লাকখিবনি।

ঙরাং অথেংবদা ইটালিগী কোনুং রোমদা লৈবা ষ্টদিও ওলিম্পিকোদা মফম অদুগী ক্লব রোমা অমসুং বার্সেলেনানা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা রোমাগী শান্নরোইশিংনা খুদুম চন্দুনা শান্নবা ঙমখি।

শান্নবগী ৬শুবা মিনটতা রোমাগী শান্নরোই ইদিন জেকোনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা বার্সেলোনাবু মাঙজিল থারবা মতুং অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু পাঞ্জল অমা মাঙজিল থারিবা রোমাগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা শান্নবগী ৫৮শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমা ফংখি। পেনাল্টি অদু টিম অদুগী দেনিয়েল দি রোজিনা চন্দুনা বার্সেলোনাবু পাঞ্জল ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

বার্সেলোনাগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনদুনা এটেক তৌশিন্নবা লাক্লরিঙৈ শান্নবগী ৮২শুবা মিনটতা রোমাগী শান্নরোই কোষ্টেন্টিনো মানোলাসনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা বার্সেলোনাবু ৩–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

শান্নবগী লেমহৌবা মিনট ৮ লোম অদুদা বার্সেলোনাগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু রোমানা ৩–০ দা মায় পাক্তুনা এগ্রিগেটতা পাঞ্জল ৪–৪ দা লৈনখ্রবসু অৱে গোলদা ফজবা হেনখিবদগী রোমা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ইংলেন্দগী ক্লব অনীগী লম্বাদা লিভরপুরলনা মেঞ্চেষ্টর সিটিবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা এগ্রিগেটতা ৫–১ দা হেন্দুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

পনবা য়াবদি লিভরপুল অমসুং মেঞ্চেষ্টর সিটিনা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচ অদুদসু লিভরপুলনা পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীখিবনি।

ঙরাংগী মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ২শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী গাব্রিয়েল জিজসনা চন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি। অহানবা হাল্ফকী মতম অদু গাব্রিয়েলগী পাঞ্জল অদুনা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপা ৫৬শুবা মিনটতা লিভরপুলগী মোহমদ সালানা ইক্কেলাইজর অদু চল্লবা মতুং ৭৭শুবা মিনটতা টিমমেট রোবার্টো ফর্মিনোনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ক্বার্টর ফাইনেলগী অনীশুবা লেগকী মেটচ অদু ৩–০ দা মায় পাক্তুনা এগ্রিগেটতা ৫–১ দা হেন্দুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

